# এসিয়ন চেম্পিয়ন্স ট্রোফি : ইন্দিয়া অমসুং জপান্না ২-২ দা দ্রো চংখ্রে



সিঙ্গাপুর, ওক্টোবর ৩০ :

ইন্দিয়াগী নুপী হোকি টিমনা মশক থোকপা পার্ফোর্মেন্স পীদুনা মফম অসিদা চথরিবা মরিশুবা ৱিমেন'স এসিয়ন চেম্পিয়ন্স ট্রোফি হোকি টুর্ণামেন্টকী থাংজ নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা জপানগা ২-২ দা দ্রো চংখ্রে।

গেম অসিনা ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ভান্দানা কটারিয়াগী ১৫০শুবা ইন্টরনেসনেল মেচ ওইদুনা মহাক মশাগী মাইলষ্টোন অমসু ওইবা ঙমখি। উত্তর প্রদেশতগী হৌরকখিবী কটারিয়ানা অহানবা ওইনা কুমজা ২০০৬ তগী ইন্দিয়াগী জুনিয়র স্কাদতা য়াওদুনা শান্নবা হৌরকখি অমদি কুমজা ২০১০ দগী সেনিয়র টিমদা শরুক য়াবা হৌখি।

টিম অনীমক্না মেচ হেক হৌরকপগা য়াম্না তপ্না শান্নরকখি। অদুবু ইন্দিয়াগী নুপীশিংনা তপ্না তপ্না লাকশিল্লক্তুনা অহানবা হাফ ফাওবদি দোমিনেট তৌনা চংখি। মেচ হেক হৌখিবগা জপাননা ইন্দিয়াগী মায়কৈদা চঙশিনখিবা এটেক্তা পেনালটি কোর্নর অমা ফংখি। পেনালটি কোর্নর অদু ইন্দিয়ানা নিংথিনা থিংখিদুনা গোল মাঙজিল থানা চংলমগদবা অদু ঙমহনখিদে। অহানবা হাফটাইম ফাওবদা টিম অনীমক্না মখোয় মখোয়গী মায়োক্নখিবা সাইদশিংগী দিফেন্সশিং থুগায়দুনা চঙবা ঙম্নখিদবনা গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নখিদে।

ইন্দিয়ানা মখা তানা চঙশিনখিবা এটেক্তা মেচকী অহুমশুবা ক্বার্টরদা দীপিকানা গোল অমা চনশিন্দুনা ১-০ দা মাঙজিল থানা চংখি। ইন্দিয়ানা ক্বার্টর ফাইনেল অসিদা মিদফিল্ডদা কন্ট্রোল তৌনা চংখি অমদি মায়োক্নখিবা সাইদতা মখা তানা এটেকশিং তৌখি।

ইন্দিয়াগী অনীশুবা গোল অদু মেচকী মিনিট ৪১ চৎপা মতমদা পেনালটি কোর্নরদা দীপ গ্রেস ইক্কানা গোল অমা কনভার্ট তৌদুনা ২-০ দা মাঙজিল থানা চংখি। ইন্দিয়ানা মখা তানা গোলশিং চন্নবা এটেম্পশিং তৌখ্রবসু কান্নখিদে।

অরোইবা অমদি মরিশুবা ক্বার্টরনা জপাননা অকনবা প্রেসরশিং পীদুনা ইন্দিয়াগী মায়কৈদা চঙশিনখিদুনা থংন-থংননা গোল অনী চনখি। মখোয়না ওপোন্টেকী মায়কৈদা চঙশিনখিবা এটেক্তা মেচকী মিনিট ৪৭ চৎপা মতমদা মিকি কোজকানা গোল অমা চন্দুনা ইক্বেলাইজ তৌদুনা ১-২ দা লৈখি। মখা তানা জপাননা চঙশিনখিবা কাউন্টর এটেক অমদা মেচকী মিনিট ৫০ চৎপা মতমদা য়ুকারি মানোনা গোল অমগা চনশিনখিদুনা ২-২ দা চাং মান্ননা লৈখি।

মেচ লোইগদবা মতম কুইরক্তুবা তাঞ্জাদা জপান্না মেচ অদুবু মায় পাক্ন বগীদমক অকনবা শাফু পীদুনা চঙশিনখি। অদুবু গোল চনবা ঙমদনা লৈখি। জপাননা মেচ অদুগী মিনিট মঙাখক্তা ঙাইরবা মতমদা পেনালটি কোর্নর মঙা ফংখ্রবসু ইন্দিয়াগী অকনবা দিফেন্সতা গোল ওন্থোকপা ঙমখিদে। টিম অনীমক্না অপীবা মতম ফাওবদা অহেনবা গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নখিদবদগী দ্রো চংখি।

ইন্দিয়ানা মথংগী মেচতা কোরিয়াগা লম্বা তৌনদুনা শান্নগনি।

# হিনা সিধুনা এসিয়ন এয়রগন শুটিং চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়াররোই

ন্যু দেল্লি, ওক্টোবর ৩০ : ইরান্না য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ন এয়রগন শুটিং চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়াগদবা নুপী এথলেট শুটরশিংবু হিজাব শিজিন্নগদবনি হায়বা ৱাফম লাকখিবদগী ইন্দিয়াগী রিও ওলেম্পিয়ন অমদি দিফেন্দিং চেম্পিয়ন হিনা সিধুনা চেম্পিয়নশিপ অসিদা শরুক য়াদনবা ৱারেপ লৌখ্রে।

চৎলিবা চহী অসিগী দিসেম্বর থাদা ইরান্না য়ুম্বু ওইদুনা টেহরানদা চথগদৌরিবা ইভেন্ট অসিদা শরুক য়াররোই হায়না হৌখিবা চয়োল অহুমগী মমাঙদা হিনা সিধুনা নেসনল রাইফল এসোসিএসন (এন আর এ) দা খঙহনখ্রে হায়না পাউগী এজেন্সি অমনা ফোঙদোরক্লি।

পাউ অদুনা হায়, শান্নরোয়শিংনা শুংশোই শোয়দনা হিজাব শিজিন্নগদবনি হায়বা ৱাফম লাক্লিবা অসি স্পোর্টসকী স্পিরিটপু শিংনবনি হায়বা ৱাখল্লোনদা সিধুনা হকচিন্না য়াখিদে হায়রি। শান্নবা হায়বসিদা খেন্নবা লৈতনা মালেমগী ফম্বাক্তা অথোই-অহেন তান্নবগী লৈরিবা খুদোংচাবা অদুবু তরাম্না ওক্লদুনা মহাক মশামক শান্নরোয় অমা ওইবগী চাউথোকচবদু লৈ হায়খি।

ইরান্না য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকপা ইন্টরনেসনেল কম্পিটিসনশিংদা লৈবাক অসিগী চৎনবীবু অতোপ্পা লৈবাক্কী শান্নরোয়শিংদা ইলহন্নবা হোৎনদুনা লাক্লি হায়রি। অসিগুম্বা ফীভম অসিমক চহী ২ গী মমাঙদা ইরানদা পাঙথোকখিবা ইন্টরনেসনেল কম্পিটিসন অমদা চথরকপদগী হিনা সিধুনা কম্পিটিসন অদুদা শরুক য়াখিদে হায়রি।

হৌখিবা ওগষ্ট থাদা রিও দি জানৈরোদা পাঙথোকখিবা ওলেম্পিক্স গেমসদা হিনানা নুপীগী মিটর ১০ গী এয়র পিষ্টল ইভেন্টতা ১৪শুবা পোজিসন তাখিবদগী ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিদবনি। হিনা সিধুনা কুমজা ২০১৩ গী ৱর্ল্ড কপ অমদি এসিয়াগী ওলেম্পিক্স ক্বালিফাইয়রদা গোল্ড মেদলশিং লৌদুনা রিও ওলেম্পিক্সকী ক্বালিফাই ওইখিবনি।

অমরোমদা, নেসনল রাইফল এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়া (এন আর এ আই) গী প্রসিদেন্ট রাজেন্দ্রা সিংহনা হায়খি, দিসেম্বর ৩ দগী পাঙথোক্কদৌরিবা চেম্পিয়নশিপ অসিদা হিনা সিধুগী মহুৎ হরভিন শ্রাওনা শরুক য়ারগনি হায়না ফোঙদোকখি।

# চেন্নাইয়িন এফ সি অমসুং কেরলা ব্লাষ্টর্স গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নদনা দ্রো চংখ্রে



চেন্নাই, ওক্টোবর ৩০ :

দিফেন্দিং চেম্পিয়ন্স চেন্নাইয়িন এফ সি অমসুং কেরলা ব্লাষ্টর্স অনীনা মফম অসিগী জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়মদা থাংজ নুমিৎতা শান্নখিবা হিরো ইন্দিয়ন সুপর লীগ (আই এস এল) কী মেচতা গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নদনা দ্রো চংখ্রে।

টিম অনীনা গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নখিদবা অসিনা চেন্নাইয়িং এফ সিনা মেচ তরুক শান্নখিবদা মেচ অনী মায় পাকপা, মেচ অহুম্না দ্রো চৎপা অমদি মেচ অমনা মায়থীদুনা পোইন্ট ৯ ফংদুনা টেবলগী মরিশুবা মফমদা লৈখ্রে। অদুগা কেরলা ব্লাষ্টর্সনা মেচ তরেৎ শান্নখিবদা মেচ অনী মায় পাকপা, মেচ অহুম্না দ্রো চৎখিবা অমদি মেচ অনীনা মায়থীদুনা পোইন্ট ৯ ফংলগা মঙাশুবা মফমদা লৈরি।

লীগ অসিদা এটলেটিকো দি কোলকটানা মেচ তরেৎ শান্নখিবদা মেচ অহুম মায় পাকপা অমদি মেচ অহুম্না দ্রো চৎতুনা পোইন্ট ১২ ফংলগা লীগ টেবলদা খ্বাইগী মকোক্তা লৈখি। মুম্বাই সিটি এফ সিনা মেচ তরেৎ শান্নখিবদা মেচ অহুম মায় পাকপা অমদি মেচ অনীনা দ্রো চৎখিদুনা অপুনবা পোইন্ট ১১ ফংলগা অনীশুবা মফমদা লৈখি। অদুগা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদনা মেচ তরেৎ শান্নখিবদা মেচ অহুম মায় পাকপা অমদি মেচ অমনা দ্রো চৎতুনা অপুনবা পোইন্ট ১০ ফংলগা অহুমশুবা মফমদা লৈরি।

মেচ হেক হৌখিবগা চেন্নাইয়িন এফ সিনা মায়োক্নখিবা মায়কৈদা এটেক তৌদুনা চঙশিনখি। চেন্নাইয়িনগী অগুস্টো অমদি সুসিনা টিমগীদমক মতীং থোকপা থৌনা পুথোক্তুনা শান্নরকখি। মখোয়না মায়োক্নখিবা সাইদতা চঙশিনখিবা শাফুদা গোল চনবা য়াবা খুদোংচাবা ফংখ্রবসু গোল ওন্থোকপদি ঙমখিদে। অয়াম্বা মতমদা চেন্নাইয়িননা বোল পায়দুনা শান্নখিবনা অহানবা হাফ ফাওবদি চেন্নাইয়িননা মেচ অদু দোমিনেট তৌনা চংখি। টিম অমত্তনা অহানবা হাফ ফাওবদা গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফতা কেরলা ব্লাষ্টর্সনা টেম্পো লৈনা শান্নরকখি। মখোয়সু গোল এটেম্পশিং মায়োক্নখিবা সাইদতা তৌখ্রবসু চনবদি ঙমখিদে। টিম অনীমক্না মেচকী অপীবা মতম ফাওবদা গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নখিদবদগী দ্রো চত্তুনা পোইন্ট য়েন্নখি।

# মিনিষ্ট্রিনা ফোরেন কোচশিং লৌবদা এদভর্টিজমেন্ট তৌনবা ৱারেপ লৌখ্রে

ন্যু দেল্লি, ওক্টোবর ৩০ : শান্নবগী লমদা ট্রান্সপরেন্সি পুরক্নবগী থৌশিল মখাদা স্পোর্টর্স মিনিষ্ট্রিনা মখল-মখাগী দিসিপ্লিনশিংগী ফোরেন কোচশিং ৱায়নন্নবগীদমক ওপন এদভর্টিজমেন্টগী মখাদা মথৌ তাবশিং পাঙথোক্কনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

মিনিষ্ট্রি অসিগী সেনিয়র ওফিসরশিং অমসুং ন্যু দেল্লিদা লৈরিবা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া (সাই) গী ওফিসলশিংগা পুন্না ঙরাং পাঙথোকখিবা মীফম অমদা স্পোর্টস মিনিষ্টর বিজয় গোয়লনা ফোরেনগী কোচশিং লৌবদা এদভর্টিজমেন্ট তৌরগা লৌননবা পুখৎলকখিবা ৱাফম অদু এপ্রুভ তৌখ্রে।

মিনিষ্ট্রি অসিনা থোক্লকপা চেরোল অদুদা হায়, সেলেক্সন কম্মিটিনা ফোরেন কোচশিং খন্দ্রিঙৈগী মমাঙদা এদভর্টিজমেন্ট তৌরবদি য়াম্লবা কোচশিংগী মমিংশিং এপ্লাই তৌরক্নদবনা খঙবা ঙম্লগনি অমদি নেসনল স্পোর্টস ফেদরেসন্নসু অফবা কোচশিং মথৌ তাবদু খনবদা মতেং পাংলক্কনি হায়না হায়রি। মিনিষ্ট্রি ওফ য়ুঠ এফ্যের্স এন্দ স্পোর্টসনা ওলেম্পিক্স, এসিয়ন গেমস, কম্মনৱেল্‌ঠ গেমস অমসুং অতোপ্পা মরু ওইবা টুর্ণামেন্টশিং শেম-শানবগীদমক ফোরেন কোচশিং ৱায়বদা য়াল্লবা শেনফমশিং চাদিং তৌরি।

হায়রিবা ফোরেন কোচশিং ৱায়বগী মিৎয়েং অসিদা তুংদা লাক্কদবা ফোরেন কোচশিং লৌবদা সেলেক্সন কম্মিটিনা মখোয়গী পার্ফোর্মেন্সশিং কুপ্না য়েংলগা লৌরগনি। ফোরেন কোচশিং ৱায়দুনা ইন্দিয়ন এথলেটশিং ট্রেনিং পীবা হায়বসি মথৌ তাবা অমসু ওইরি। য়াল্লবা স্পোর্টস দিসিপ্লিনশিংদা ফোরেন কোচশিং ৱায়দুনা ট্রেনিং পীগদবা মশান্নশিং হৌজিক্কী ওইনা য়াম্না লৈরি। মখোয়না ইন্দিয়নগী কোচশিংসু ট্রেনিং পীদুনা তুংদা ইন্দিয়ন কোচশিংনা ওইনা মহুৎ শিন্ননবা থৌরাংসু পায়খৎকনি হায়না ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়ন কোচ অমদি ফোরেন কোচ অনীগী খেন্নবা থোইদোকপা লৈতে। ফোরেন কোচশিংনা নিংথিনা তাক্লম্বা অদুনা ইন্দিয়ন কোচশিংদা হেন্না চূশিন্ননা লৈহৌদুনা তুংগী ইন্দিয়াগী এথলেটশিংদা মখোয়না দাইত্ব লৌনা শেম্নবগী খুদোংচাবা পীননবা পায়খৎলকপা মিনিষ্ট্রিগী থৌরাং অমসু ওইরি। অথুবদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিং ট্রেনিং পীনবগীদমক ফোরেন কোচশিং এদভর্টিজমেন্ট তৌদুনা কৌরগনি হায়না মখা তানা চেরোল অদুনা ফোঙদোরক্লি।



HL-P/10413/30,31 Oct. & 1 Nov.

# দোমিনিকা সিবুলকোভানা এঞ্জেলিগ কার্বরবু মায়থীবা পীদুনা দব্লিয়ু টি এ ফাইনেলগী টাইটল লৌখ্রে

## ইলেনা-মাকারোভানা দব্লিয়ু টি এ ফাইনেল দবলসকী ৱিন্নর ওইখ্রে



সিঙ্গাপুর, ওক্টোবর ৩০ :

স্লোভাকিয়াগী দোমিনিকা সিবুলকোভানা মফম অসিদা চথরিবা দব্লিয়ু টি এ ফাইনেলগী নোংমাইজিং নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা নৌনা মালেমগী টেনিসকী মকোক থোংবা মফমদা লৈরিবা জর্মনিগী এঞ্জেলিগ কার্বরবু ৬-৩, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌখ্রে।

কুমজা ২০১৪ গী ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী রন্নরস-অপ সিবুলকোভানা রাউন্দ রোবিন ষ্টেজদা মায়থীখ্রবসু সিঙ্গাপুরগী ট্রোফি অসি মহাক্কী কেরিয়রগী খ্বাইদগী চাউবা টাইটল ওইনা লৌবা ঙমখি।

অমরোমদা, রসিয়াগী জুরা ইলেনা ভেসনিনা অমদি ইকাটেরিনা মাকারোভানা দব্লিয়ু টি এ ফাইনেলগী দবলস ইভেন্টতা বেথানি মাট্টেক-সেন্দস অমদি লুসি মাকারোভাবু ৭-৬ (৫), ৬-৩ দা মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌখি।

অমরোমদা, ইন্দিয়ন ষ্টার সানিয়া মিরজা অমদি মহাক্কী স্বিস পার্টনর মার্টিনা হিঙ্গিসনা মফম অসিদা চথরিবা দব্লিয়ু টি এ ফাইনেল টেনিস টুর্ণামেন্টকী থাংজ নুমিৎতা শান্নখিবা সেমী ফাইনেল মেচতা অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নখ্রবসু রসিয়নগী মখুৎতা মায়থীদুনা লৈহৌখি।

অনীশুবা সীদেদ ইন্দো-স্বিসকী অপুনবা জুরা অসিনা সেট অমখক মাঙজিল থারন্নগা অতোপ্পা সেটশিংনা নেম্না লৈখিদুনা রসিয়নগী জুরা ইকাটেরিনা মাকারোভা অমদি ইলেনা ভেসনিনাগী মখুৎতা ৬-৩, ২-৬, ৬-১০ দা মায়থীহৌখি।

লুসি অমদি বেথানিনা টোপ সীদ কারোলিনা গার্সিয়া অমদি ক্রিষ্টিনা ম্লাদেনোভিকপু থাংজ নুমিৎতা শান্নখিবা অতোপ্পা সেমী ফাইনেল মেচ অমদা ৬-৩, ৭-৫ দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেলগীদমক খুমাঙ চাউশিনখিবনি।

টুর্ণামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসতা ৱর্ল্ডনম্বর ৱান এঞ্জেলিগ কার্বরনা মহাক্কী মায় পাকপা অদু মখা তানা চঙশিনখিদুনা থাংজ নুমিৎতা শান্নখিবা সেমী ফাইনেল মেচতা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন অগনিজকা রাদৱানস্কাবু ৬-২, ৬-১ দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখ্রে।

ৱর্ল্ডনম্বর ৱান জর্মনি অসিনা ফাইনেল মেচতা দোমিনিকা সিবুলকোভাগা মায়োক্নদুনা শান্নবা খোঙফম শেমখিবনি।

জর্মন অসিনা চৎলিবা চহী অসিগী জন্যুৱারী থাদা পাঙথোকখিবা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন অমসুং হন্দক্তা লোইশিনখিবদা ঙাইখিবা য়ু এস ওপনগী টাইটল লৌদুনা মহাক্কী টেনিসকী কেরিয়রদা মায় পাক্না চঙশিল্লকখিবগা লোয়নন্না মতম কুইনা অমেরিকাগী সেরেনা ৱিল্লিয়মসনা মালেমগী টেনিসকী নম্বর ৱান ওইদুনা লাকখিবা অদু কার্বরনা হন্দক্তা মুনখিদুনা মালেমগী মকোক থোংবা টেনিস প্লেয়র ওইখিবনি। মহাক্না সিজন অসিগী অরোইবা টুর্ণামেন্ট অসিগী টাইটল লৌনবগী থাজবসু লৈখিবনি।

# সোঙ্গা-মরেনা ভিয়েনা ওপনগী, কৈ নিশিকোরিনা মারিন সিলিকক্কা স্বিস ওপন ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি







ভিয়েনা/বাসেল, ওক্টোবর ৩০ :

জো-ৱাইল্‌ফ্রাইদ সোঙ্গানা মফম অসিদা চথরিবা ভিয়েনা ওপনগী থাংজ নুমিৎতা শান্নখিবা সেমী ফাইনেল মেচতা ইভো কার্লোভিক্পু ৫-৭, ৭-৫, ৭-৬ (৬) তা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখিবগা লোয়নন্না ফাইনেলদা টোপ সীদেদ এন্দি মরেগা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি।

মরে অমদি দিফেন্দিং চেম্পিয়ন দেভিদ ফেরর অনীনা শান্নগদবা সেমী ফাইনেল মেচ হৌগদবা কুইরক্তুবা মতমদা দেভিদ ফেররগী ওই থংবা খোঙদা অশোকপা লৈখিবদগী শান্নদনা তোকখিবদগী মরেনা ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখি।

টুর্ণামেন্টগী দিরেক্টর হারৱিগ ষ্ট্রোকানা হায়খি, ফেররনা প্রাইভেট ক্লিনিক অমদা চৎখি অমদি দোক্টরনা শান্নদনবা য়াথং পীরকখি। ফেররনা ইরাই নুমিৎতা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেলদা মশাদা অশোকপা লৈবা উখি অমদি মহাক্না সার্বিয়াগী ভিক্টর ট্রোইকিগা মায়োক্নদুনা পুং ২ মখায়রোম শান্নখিবা অদুগী মতুংদা মহাক্কী মশলদা অনাবা ফাওই হায়দুনা কমপ্লেন তৌখি।

রেঙ্ক ১৯ শুবদা লৈরিবা স্পানিয়ার্দ অসিনা হায়খি, অরোইবগী মেচ অনীদা ঐঙোন্দা অনাবা ফাওখি। মসিনা ঐঙোন্দা শান্নবদা অৱাবা ওইখি হায়না ফোঙদোকখি। এ টি পিনা হায়খি, ফেররগী কেরিয়রগী মেচ ১,০২৪ গী মনুংদা শান্নদনা ৱিঠদ্রো তৌখিবা অসি মসিগা অনীরক শুরে হায়না ফোঙদোকখি।

মরেনা হায়খি, মহাক্কী মশাদা য়াম্না নাবা ফাওখি। ঐনা মহাক্না শান্নদ্রবনা পোত্থাবা ফংলে। ফাইনেল মেচ অসিগীদমক প্রেক্টিস তৌবগী খুদোংচাবসু ফংলে হায়খি।

মরেনা সোঙ্গাগা মায়োক্নদুনা শান্নখিবদা ১২-৩ দা মায় পাক্না চৎলি অমদি রেঙ্ক ১৫ শুবদা লৈরিবা ফ্রেঞ্চমেন অসিগা অরোইবা ওইনা মায়োক্নদুনা শান্নখিবা মেচ মরি মায় পাকখি।

স্কোট অসিনা মহাক্কী কেরিয়রগী ৪২শুবা টাইটল লৌনবা তান্নরিবনি। মহাক্না বৈজিং অমদি শংহাইদগী টাইটল লৌখিবা অদুনা মহাক্কী থংন-থংননা মেচ ১৩ মায় পাকপগী রেকোর্দসু থল্লিবনি। মহাক্না কুমজা ২০১৪ দা ভিয়েনাগী টাইটল লৌখ্রে।

অমরোমদা, সোঙ্গানা মহাক্কী কেরিয়রগী টাইটল ১৩ লৌনবা মিৎয়েং থল্লিবনি। মহাক্না ইভেন্ট অসিগী টাইটল কুমজা ২০১১ দা লৌখি।

অমরোমদা বাসেলদা চথরিবা বাসেল এ টি পিদা জপানগী কৈ নিশিকোরিনা থাংজ নুমিৎতা শান্নখিবা সেমী ফাইনেল মেচতা গিল্লেস মুল্লরবু ৪-৬, ৭-৬ (৭/৩), ৬-৩ দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখি।

অদুগা অতোপ্পা সেমী ফাইনেল মেচতা মারিন সিলিকনা ক্বালিফাইয়র মিসচা জভেরেভপু ৪-৬, ৭-৫, ৬-৩ দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখি।

# এসিয়ন এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপ পাঙথোক্লগনি

ন্যু দেল্লি, ওক্টোবর ৩০ : রাঞ্চিনা য়ুম্বু ওইদুনা মথং চহীগী জুন ১ দগী ৪ ফাওবা নুমিৎ মরিনি চূপ্না ২২শুবা এদিসনগী এসিয়ন এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপ পাঙথোক্লগনি হায়না মশান্না অসিগী কন্টিনেন্ট অসিগী গভর্ণিং বোদিনা লাউথোকখ্রে। হন্দক্তা দোহাদা পাঙথোকখিবা এসিয়ন এথলেটিক্স এসোসিএসন (এ এ এ) গী ৮৫ শুবা কাউন্সিলগী মীফমদা এসোসিএসন অসিনা ২২শুবা এদিসনগী এসিয়ন এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপ অসি রাঞ্চিদা পাঙথোক্লবা লাউথোকখিবনি। মীফম অদুদা আই এ এ এফকী প্রসিদেন্ট সেবাষ্টিয়ন কোসু শরুক য়াখি। এ এ এগী বাইনিয়ল ফ্লেগশিপ ইভেন্ট অসি বিরসা মুন্দা ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্কনি। কুমজা ২০১২ দা ইন্দিয়ানা ২০শুবা এদিসনগী এসিয়ন এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপতা পুনেনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখ্রে। অদুগা কুমজা ২০১৫ গী ইভেন্টনা চাইনিজ সিটি ৱুহানদা পাঙথোকখি।

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**OFFICE OF THE REGISTRAR OF CO-OPERATIVE SOCIETIES: MANIPUR**

**NOTIFICATION**

Imphal, the 29th October, 2016

**No. E-Coop/272/MRDR/2016:** In pursuance of Manipur Secretariat: Co-operation Department letter No. 1/4/2014-Coop dated 29.10.2016, the result of the Written Test held on 09.10.2016 for recruitment of 80 posts of Inspector C.S. and 3 posts of Office Assistant cum Computer Operator is hereby declared in which 474 (four hundred seventy four) successful candidates for the post of Inspector C.S. are eligible for Viva Voice to be notified later on and 30 (thirty) successful candidates for the post of Office Assistant cum Computer Operator are eligible for computer test to be held on 4th Nov, 2016 at Institute of Co-operative Management, Lamphelpat from 9.30 a.m. onwards for selection of eligible candidates for viva voce to be notified later on. The successful Roll Nos. of all reserved and un-reserved categories are given below:

**A. Inspector C.S. (in order of Roll Nos.):-**
0028, 0034, 0036, 0040, 0078, 0079, 0092, 0244, 0245, 0263, 0269, 0295, 0315, 0321, 0330, 0349, 0353, 0446, 0524, 0648, 0678, 0702, 0778, 0808, 0814, 0832, 0842, 0854, 0892, 0898, 0941, 0970, 1041, 1047, 1061, 1089, 1098, 1119, 1125, 1130, 1151, 1191, 1209, 1241, 1246, 1247, 1248, 1251, 1262, 1285, 1328, 1332, 1353, 1354, 1355, 1356, 1357, 1360, 1361, 1362, 1363, 1375, 1377, 1386, 1417, 1419, 1427, 1434, 1435, 1464, 1483, 1484, 1505, 1521, 1529, 1541, 1552, 1553, 1555, 1577, 1586, 1589, 1593, 1604, 1626, 1628, 1629, 1647, 1708, 1709, 1770, 1781, 1789, 1797, 1858, 1859, 1860, 1862, 1864, 1882, 1883, 1890, 1903, 1929, 1930, 1931, 1936, 1937, 1948, 1964, 1978, 1980, 1981, 1984, 2002, 2003, 2006, 2007, 2043, 2049, 2067, 2068, 2162, 2202, 2249, 2252, 2253, 2259, 2287, 2299, 2330, 2428, 2435, 2463, 2477, 2484, 2524, 2527, 2554, 2575, 2578, 2580, 2604, 2619, 2623, 2627, 2654, 2679, 2680, 2703, 2709, 2714, 2719, 2730, 2740, 2742, 2747, 2764, 2769, 2775, 2776, 2805, 2843, 2859, 2869, 2886, 2897, 2906, 2907, 2908, 2915, 2917, 2926, 2935, 2936, 2960, 2965, 2966, 2969, 2970, 2971, 2973, 2974, 2975, 2979, 2983, 2984, 2988, 3006, 3007, 3014, 3033, 3063, 3078, 3111, 3171, 3202, 3243, 3290, 3342, 3360, 3375, 3376, 3398, 3405, 3413, 3421, 3430, 3432, 3435, 3441, 3450, 3451, 3457, 3460, 3463, 3468, 3469, 3470, 3474, 3478, 3528, 3547, 3549, 3563, 3564, 3582, 3583, 3585, 3586, 3592, 3659, 3660, 3682, 3705, 3716, 3717, 3749, 3787, 3788, 3824, 3840, 3845, 3877, 3892, 3913, 3931, 3936, 3953, 3973, 4013, 4015, 4072, 4073, 4120, 4146, 4153, 4158, 4159, 4177, 4195, 4196, 4200, 4251, 4261, 4318, 4331, 4379, 4440, 4450, 4456, 4526, 4529, 4534, 4569, 4647, 4723, 4758, 4789, 4794, 4808, 4859, 4862, 4863, 4866, 4917, 4948, 4956, 4959, 5006, 5071, 5072, 5078, 5087, 5089, 5097, 5146, 5165, 5169, 5171, 5180, 5182, 5185, 5191, 5211, 5213, 5229, 5234, 5307, 5324, 5347, 5358, 5369, 5393, 5425, 5433, 5434, 5448, 5479, 5537, 5579, 5581, 5599, 5622, 5658, 5659, 5664, 5701, 5703, 5727, 5728, 5748, 5749, 5750, 5752, 5764, 5771, 5772, 5779, 5780, 5781, 5798, 5799, 5801, 5802, 5806, 5807, 5820, 5822, 5829, 5830, 5844, 5845, 5855, 5868, 5890, 5891, 5942, 6004, 6016, 6041, 6044, 6077, 6091, 6092, 6111, 6209, 6221, 6236, 6256, 6260, 6274, 6313, 6321, 6330, 6345, 6351, 6358, 6394, 6471, 6654, 6690, 6691, 6761, 6772, 6799, 6809, 6817, 6818, 6824, 6838, 6846, 6854, 6858, 6868, 6884, 6887, 6924, 6929, 6971, 6983, 6993, 6999, 7003, 7017, 7035, 7048, 7049, 7052, 7073, 7074, 7092, 7134, 7138, 7140, 7142, 7194, 7195, 7200, 7207, 7220, 7228, 7237, 7245, 7249, 7253, 7259, 7260, 7265, 7266, 7267, 7355, 7389, 7390, 7397, 7403, 7409, 7473, 7477, 7483, 7485, 7496, 7499, 7539, 7561, 7573, 7577, 7597, 7611, 7612, 7616, 7617, 7618, 7636, 7657, 7659, 7674, 7683, 7692, 7702, 7705, 7708, 7718, 7724, 7729, 7735, 7738, 7741, 7783, 7820,7829,7837,7856 and 7879 = **474 nos.**

**B. Office Assistant cum Computer Operator (in order of Roll Nos.):-**
102, 109, 111, 113, 118, 119, 121, 127, 128, 130, 134, 135, 150, 155, 157, 165, 166, 172, 176, 183, 185, 186, 190, 191, 194, 195, 196, 199, 200, and 203. **= 30 nos.**

Sd/-
**L. Nabakishwar Singh, IAS**
Registrar of Co-operative Societies,Manipur

HL-P/10420/31 Oct & 01 Nov